# ঈগী খুদোললনা খ্বাইদগী চাউবা দাননি হায়নৈ অদুবু...

নোংথোংবম গোপেন



*অখঙ-অহৈশিংনা* হায়নবসু হায়নবনি, ঈ হায়বসি য়োনগে য়াদবা, লৈগে হেক্তা ফংদবা, মমল নাইদবা মীওইবগী হকচাংদা চেন্দুনা মীওইববু পুদুনা চৎলিবনি। মসি মতম অমদা লৈবা-য়োনবা য়ারল্লবসু ঙসিদি আইন্না লৈবা-য়োনবা থিংখ্রে। অদুবু অমরোমদা অদুক্কী মতিক মমল য়াম্বা পোৎশক অমদি ওইরি। মহাক হেক ৱাৎপদা মীদু শিগদৌরিবনি। অদুগা অমুক ঈদুবু পীথোক্লিবা মীদুদদি মাঙজবা হায়বা অমা লৈত্রিবা, কাঙলোন চুম্না পীথোক্লিমখৈ পুখ্রি খোংবান্দা অনৌবা ঈশিং চনবগুম তরু-তরুহনগদৌরিবনি হায়। কয়াদা ফজখ্রবা খূৎশেমগী খুদোলনো। অদুবু মীওইবা ঐখোয়দা লাম্বা ফংদবা ৱাফম অমদি অসুম লোয়নদুনা লাক্লি। মসিমতং থম্মোয় শেংনা মরী লৈনবশিংনা শেংদোকপীবা য়াবা লৈরবদি শেংদোকপীনবা হায়জরি। করিগুম্বা মরী লৈনবা ইচিন-ইনাওশিংনা পুকচেল চাউরবা মীয়ামগীদমক ঈ দোনেট তৌবীখিবশিং অদু ঈগা মরী লৈনবা অনাবশিংবু কনবদা মতেং ওইনবগীদমক্তনি হায়বদি তাকপী। মসি তাবদা অসুক্কী মতিক চাউথোকচৈ, হরাওজৈ। অদুবু ঈ-শিং অসিনা ব্লদ বেঙ্ক হেক য়ৌখিবগা করমহায়না শীজিন্নরিবনো হায়বসি খঙদবা অমদি লৈরি। মসি ঐখোয় মশেল খঙমিন্নবদা করি অকায়বা লৈ। মসিগী মতাংদা ৱাফম খরদং মীওইবা অমা ওইনা থমজগে। ঐহাক অখঙ-অহৈ খক শাজরোই, কনা অমত্তদসু অপাননা তাইনজরোই, ইশামক্তা থোকখিবা খরদা য়ূম্ফম ওইরগা তমজগে।

ঙসিদগী চহী ১০মুক্কী মমাঙদা ঐখোয়গী ইমুং-মনুংগী অহল অমা ঈ ৱাৎপগী লায়না অমনা নাবদগী চহী খুদিংগী ঈ বোট্টল ৮/৯দগী তাদনা কাপ্লমই। অদুবু মী অমদগী হঞ্জিন-হঞ্জিন পীয়ু হায়বমক্তি ঙমদবনিনা থংনা-থংনা চহী ৪ চূপ্না অতোপ-অতোপ্পা দোনর কয়া থিবদা অৱাবা কয়া মায়োক্ল খি। ঐ ইশামকপুদি ইমুং-মনুং ওইবা মরম্না অদুম চেন্নরে। মতমদুদা হোস্পিটালদগী ঈ বোট্টল অমফাও খুদোংচাবা ফংখিদে। ৱানোম্বা ৱাৎপগীরা, মরম খঙদবগীরা নৎত্রগা ফংফম থোক্তবগীরা মদুমক্তি খঙজদ্রে। নংনদবদগী ব্লদ বেঙ্কতগী ঈ বোট্টল ২/৩ শীজিন্নবদি ফংখি। মদুসু মহুৎ শিনজিল্লমদ্রবদি দিসচার্জ তৌবা য়াদে হায়দুনা অদুমক শিনজিল্লমই। অদুগা ঐখোয়না এরেঞ্জ তৌজবা ঈ-শিং অদুনা ঈ গ্রুপ চানরমদবদগী মখোয়দগী চানবা ঈ গ্রুপ শিন্নদুনা কাপখিবদি য়াওই। মদু মঙাই ঐখোয়না হোস্পিটালদগী ফংখিবা খুদোংচাবা হায়ববু।

মসি নোংমা ফাদোক্কী ৱাফম নত্তে। থংনা-থংননা চহী ৪ চূপ্পনি। করিগুম্বা ইমর্জেন্সি ওইবখক্তুদা খুদোংচাবা পী হায়বা তারগসু থৌদোকশিংদুগা ইকান কান্নদনা ঐগী হেক ইচাশিং অমা খঙহৌদনা অশোক অপন য়াওরকপদগী আর এম সী ওইরিঙৈদা খুদক্তা ওপরেসন অমা তৌখি। ঈ বোট্টল ১০ চঙখি। দাউ হায়বদুনি। মদুসু লোইরবা মতুংদা ঈ হাথবা লেপ্তুবদগী খুদক্তা অমুক হন্না ওপরেসন থিএটরদা চঙবা তারমই। ইশামক্না খূৎয়েক পীদুনা ওপরেসন অমুক হনখি। ডোক্তরনা ঈ বোট্টল ৬ অমগমুক এরেঞ্জ তৌ হায়বদগী ঐখোয় কোয়চেন চেন্নদুনা ইমা-ইচাগী লমসু নত্তবগা খুদক্তা হায়জিল্লকপদা পান্থে লৈতদুনা ইচে-ইচন য়াওরিবশিংদগীফাও খোমজিন্দুনা ঙাইনখি। লাইবক ফবদগী বোট্টল অহুমদগী হেন্না চঙলরোই হায়বদগী নিংশা শ্বর হোন্দোকখি।

হায়জনীংলিবদি ইমর্জেন্সি হায়বা তারগদি মদুদগী হেনবা ইমর্জেন্সি করম্বা ওইগদগে সিনি। করম্বা মতমদা, করম্বা মীওইনা করম্বা খুদোংচাবসি ফংগদগে হায়বসি মীচম মীয়াম্না খঙনীংই। ঈগী মথৌ তাবা অনাবা খুদিংমক ডোক্তরনা ঈগী এরেঞ্জ তৌরব্রা হায়বা ৱাহংসি অদুম শীজিন্নরবা ৱাহৈনি। করিগুম্বা নংনদদুনা শীজিন্নখিবা য়াওরবসু মহুৎ শিনবগী চৎনবীসি লৈরবনিনা মীয়াম্না হোস্পিটালদগী ঈ শীজিন্নবা ফংদে হায়বা তাবনি। ৱাফমসিমসু লৈরবনিনা থৌনা ফবা-ফবীশিংদগী দোনেট তৌবিখিবা ঈ-শিং অদু করম্বা মখলগী মীওইদা নৎত্রগা করম্বা মখলগী ইমর্জেন্সিদা, করম্বা ভি আই পিদা শীজিন্নগদগে? মরকসিদা ব্লদ বেঙ্কতা ঈ লৈত্রে হায়বা অমসু তত্তনা তারিবনি। মসিদনি ঈ-শিং অসি কদায়দা মাঙলিবনো চমম্নবা অমা লৈরিবসি।

অমনা মতমদুদা ঐখোয়গী দোনরশিংগী ঈ কোন্নরনি হায়বদগী শীজিন্নহৌদবা ইনাওনুপা অমা ঈ পিনি লাক্লবনিনা নুংঙাইত্রে হোস্পিটালদা ওইরসু সুম দোনেট তৌরল্লগে হায়দুনা তৌরমই। মদুদা মহাক্কী কার্দ অমা পীরকখি। মদু চহী অমদগী হেন্না শীজিন্নবা য়াদবা ওইরমই। মরক্তুদা মহাক্কী ইমুং-মনুং, মরুপ-মপাং অমদি মহাক মশামক ঈগা মরী লৈনবা অনাবা অমত্তা য়াওরক্তুবা মরম্না মদুগী খুদোংচাবদু মহাক লান্থোকখি। অসুম্না দোনরশিংগীদি লান্থোকখিবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা দোনর লৈরিমখৈ ইশা-ইশানা ঈ লাংজরিমখৈ ব্লদ বেঙ্কতা ঈ লৈত্রে হায়বসি মীওই কয়ানসু য়ানীংদে। মতাংশ্বাইদা ঐ মীরৈবাক্কী ওইবা ৱাফম অমত্তং পুশিঞ্জরক্কে, চাংদম্নবগী ৱাফমদি নৎচদে। করিগুম্বা মখোয়না কমাইনা তৌরিবা, ঐখোয়না করি ৱাৎপা, শেমদোক-শেমজিন য়াবা ওইরবদি নুংঙাইতবসি খরদি কোক্কদৌরিবনি। লৈঙাক্কী থৌরাংদি লাইগী ৱায়েলগুম্বনি। অদুবু অসুম্না অপেন-পেন্দা ফোঙদোক্লহৌদ্রবদি মীৎয়েং লান্থোকখিবসু কয়া অমা লৈরিবনি, মনুমক্না নীংশিংজবনি।

কুইদ্রি ঐ ইশামক চান্দিগড়দা হার্টকী ওপরেসন তৌজরুই। ঐহাক ঈ বোট্টল ৬ কাপখি হায়। মতমদুদা ডোক্তর অমত্তনা ঈ কাপকনি-কাপ্পোই হায়বগী অৱাবা অমত্তা ঐখোয়দা নংহনখিদে। ওপরেসন লোইরবা মতুংদা হীদাক্কী লিষ্ট য়েংলুবদা ঈগী বোট্টলশিংদুগীসু লুপা ৪০০/৪০০গী চাংদা ইরম্বা থেংনখি। ৱাফমসিদা লান্না হেক্তা লৌবিখিনু, ঐনা হায়জবদি মসি কায়দে হায়বনি। য়েংবীয়ু মদুদা ঈ-শিংদু অচম্বা বোট্টল অমদা হেক্তা হাপ্পা য়াগদ্রা, বোট্টল অদু মফম অমদা হেক্তা থম্বা য়াগদ্রা অমদি ঈদু শীজিন্ননীংবা মতমদা হেক্তা শীজিন্নবা য়াগদ্রা, পূম্নমকসি য়ানবা নংশিন্দনা লৈনবা, হিংদুনা লৈনবা এরেঞ্জ খরদি তৌরি। মসি পাশিল্লুবদা লুপা ২০০/৩০০নবু য়াগদ্রা। মদু নৎত্রা ফেসিলিটি হায়রিবসিবু। হোয় মদুমক মথোং মরম খঙদনা ঐখোয় শ্বাইদসু হেক্তা চৎনহনসি হায়বদুদি হায়জরোই। মীগী লমনা পাক চাউবা য়াম্না হেল্লি। দোনর মশীংসু য়াম্না হেনফম থোকই। অদুবু ঐখোয়গীদি অদুমক য়ারোইদবা লৈরসু শুপ্নতগী য়াম্না ময়েক শেংনা ইমর্জেন্সি হায়বদুমখৈদি ঈগী ফেসিলিটিসি, অমদা ফংলগা অমদা ফংদবসু নত্তবা, অদুগা মহুৎ শিঞ্জিনবগী চৎনবীসিসু নত্তবা থোং মান্ননা ফংহনবীবসিমদি ঙমগনি খল্লি। মতমদুদদি কাঙলোন চুম্না ঈ শীজিন্নবনিনা ব্লদ বেঙ্কতা ঈ লৈত্রে হায়বা য়াওরবফাওবা পকচরনি।

মসিদা মরী লৈনবা ইচিন ইনাওশিংদা ঐগী ওইবা মরু ওই হায়না খঞ্জবা ৱাখল্লোন অমত্তংগা থমজগে। ঐখোয়না হোস্পিটালদা দোনেট তৌরম্বা মতমদুদা ঐগী ইনাও নুপাদুদা নত্তনা দোনরশিংদু শুপ্নতগী লফোই অমা, বিস্কুইট অমা চাও হায়রকখিদে। মীওইবগী থৱায় কনগদৌরিবনি হায়বসিদা হরাউদুনা কৎথোক্লম্লিবনি। অদুগা লৌহৌরিবা ঈ অদুনা কাঙলোন চুম্না শীজিন্নখিবা হায়বসি ঈগী ভেল্যু খঙবা কৌগদ্রা। মতাং চাদ্রবদি শিকি অমা তাহৌবগী কেন্দল পেকেৎ অমা তুম্না থান্দুনা থিরিবনি। হৈ-শিংবা ৱাহৈনা পংয়া য়ারোই, দোনরশিংবু পূক্নিং পেলহনবীবা তাই, থম্মোয় শেংবীবা তাই। অরাপ্পদগী লাকপা য়াওরক্কনি। নোংমগী চরা তানজবা কয়ামসু য়াওরক্কনি। দোনরনি হায়দুনা থাগৎলগা লৌথোকপীবা হায়বসিসু পংচুম চুমলোই। হোয় কার্দ অমদি পীরক্কনি খঙই। মমাঙদা পঞ্জখ্রে। মসিনা মসি ওইখ্রে। মখা খিত্তংগা শমথজখিগে, মসিসু মরু ওইগনি খঞ্জে।

ঙসিদি চাওখৎপগী থাক্তা অতিয়া পক্লকপসিনা মীওইবা অমনা পুন্সি লোইবা ফাওবদা শীজিন্নবা য়াবা পার্ট খরদি মরু ওইনা মিৎ অনীসিমদি মায় পাক্লা নীংবা কায়না হিংহৌরিবা মীওইশিংদা মতেং ওইহনবা য়ারে হায়বসি মীপূম খুদিংনা খঙনরে। মসিগীদমক থাগৎচৈ। ঐহাকসু মীওইবনি, হিংদুনা অদুম লৈহৌগদবা নত্তে। হিংলিঙৈদা ইচিন-ইনাও, মরুপ-মপাংশিংগী মতেং পাংবা ঙল্লমদ্রবসু ঐহাক্না শিখ্রবা মতুংদা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংসিনা কনাগুম্বা-কনাগুম্বী অমগী হিংবদা তেংবাঙবা ঙমজবা হায়বসিসু লাইরমলেন কাবগুম্বনি। মরী লৈনবশিংনা এদ্রেস তাকপীরকউ লাকচগে, লাকপীয়ু এদ্রেস পীজগে। অদুবু ঐগী হকচাংসিবু অনোক য়োনফমদা গ্লাস লৌবদা ফ্রেম ফ্রীদা হাপ্পী হায়গুম্বা, হামেংগী মমল লুপা ২, মরোইগী মমল লুপা ১০০০ পূন্না লৌদ্রদি য়াদে হায়বা ত্রিক্কী পোৎ খূৎয়োনদৌনা মীৎকী মমল ফ্রী, ডোক্তর অমদি হোস্পিটাল চার্জনা পু-থাং ঙমদবা ওইহনগদবা ওইরবদি ঐহাক দান ওইনা তৌজরোই মমল লৌগনি। অদুবু লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মীয়াম্না পেঞ্জগদবা মওংদা কদায়ফাওবা কৎথোকপীগদগে হায়বা ৱাফমদুনা ময়েক শেংলবদি ঐহাক দান ওইনা তৌজরমগে। অদু নৎত্রবদি মমল লৌজগনি মরমদি ঐগীসু ইচা-ইশু লৈহৌরি, মখোয়না হেন্না মরু ওই, মখোয়না মতেং খরদং ওইরবসু ফংহৌবা হায়বসিসু মপা অমগী মথৌনি।

*"অচুম্বা থবক তৌবিয়ু, অচুম্বা লম্বী চৎপীয়ু, তুংগী মীরোলনা শোন্নহৌনবা।"*

## 'ইঙেল্লৈ'

# মণিপুরগী অপূনবগী মশক তাক্লিবা শিঙেন লৈরাং

মোইরাংথেম ওংবী মিনা লৈমা



*লৈশেণ্লোন ৱারী*/**Ligendary** *দা অসুম্না লৈ :-*

অদুঙৈদা খানা চাউবা ৱাংপুরেল হায়না খঙনরম্বা ঙসিনা মতমগী য়াওলদা থৈথরকপা লোন্দা 'ৱাংব্রেন ইপা' হায়না খঙনরিবা অসিনা লৈপাক নিংথৌ ওইনা পাল্লিঙৈগী মতমদা শিঙেন লৈরাং 'ইঙাল্লৈ/ইঙেল্লৈ' ওইরকখিবগী ৱারী হৌরকখি। লৈশেণ্লোন লাইনীংগা মরী লৈননা লৈরিবা ৱারীদা ৱাংব্রেন লাইবু পোকপা অতিয়া শিদবা ওইববু অনাল খুলগী খুল্লাকপনা লুরেন কক্তুনা পুখি। লাই ওইবা নৎত্রগা তাইবঙ মীওইবা কনানবু পন্থৌ মহাক্কী লুরেল কক্তুনা পুখিবা মশক খঙহৌদ্রবসু চৎখ্রিবা মায়কৈ অদুমদি খঙহৌখি। ৱাংব্রেন ইপা মহাক্তু চাউবা শারেপ ফারকপা, অপাম নুংশি খঙলকপা, য়ূমলেপ চারা তল্লকপা, পলেম মমাগী মীনুংশি মীৎয়েং খাদা পন্থৌ মশক খঙনবা তাক্লবা হংজরিবা মতম ওইখি। থম্মোয়নুংদা ৱাহং কয়াশিং হংবনা পন্থৌগী খোঙ্গুল লিননবা লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবগা লোয়ননা থৌরাং তৌরকখি। অসুম্না ঙসি ঙসিমক চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা অচৌবা কৈথেল ওইরিবা অসিগী মখা পাংনা কিলোমিটর ১২ হাইগৎখ্রগা অনাল খুন হায়না খঙনবা লৈতেম মান্নবা থেল অমা লৈরিবা অসি লাইনীং লাইগী ৱারী ওইনা খুভম ওইনসু লৈরি, হৈরাং-লৈরাং কৎনরি অমদি খুরুম্নরি।

ৱাংব্রেন ইপা অমসুং লুৱাং পুন্সিবা অনাল মপন পন্থৌগী লুরেল পুখিবা মায়কৈ অদোম লিক্লমদুদা খোঙ্গুল লীদুনা লাকপনা অনাল খুন য়ৌরকখি। মফম অদুদা খুল্লাকপগী মচানুপী চীঙ্গী চনুগা উনখি। অহানবা উনবমক্তুদা শামান লেংমান্নবা ওইবনা ৱাংব্রেন অমসুং খুল্লাকপগী মচানুপী মখোয় অনীগী থম্মোয়দা ফাওনবা নুংশিবা অমসুং নুংশিবগী মীৎয়েং কারল চন্নখি। অসুম্না তম্পাক্লমগী নিংথৌনি মশক তাক্নরবা মতম মতুংদা চীঙ্গী চনুনা মোংবা মরানয়াইদা পুদুনা লাকখি। অনীংবা অমগা লোয়ননা লাকপনা ৱাংব্রেন্না অনাল খুনগী মপান, মনুং অমদি অকোয়বদা অসুম য়েংলকপদা পন্থৌগী কক্তুনা পুখিবা লুরেল থেংনখি। মরক অসিদা ৱাংব্রেন অমসুং খুল্লাকপগী মচানুপী নুংশি পরৈ চেৎনা পুনখিবনা নুংশি ৱাইথুংনদুনা থুংনরবকান্দা 'শনু লৈমা' হায়না কোল্লোয় মিংলেন থোন্দুনা ফম্বাল কাহনগনি অসুম্নসু শরি ৱাশক্নখি। নোংমা নুমিৎ অমা চীঙ্গী চনুনা 'শম' কোক্তা থোং লোক্তা লাইজ ঈশিং লৌবা চৎখিবগী খুদোং-চাবা লৌরগা লুৱাং পুন্সিবা মতাউগা লোয়ননা ৱাংব্রেন্না মপন পন্থৌগী অককপা লুরেল কোক অদুবু ঙাবোং খাওদা য়োমদুনা মোংবা মরানয়াইদা তন্না হল্লকখি।

অনাল খুন খুল্লাকপগী চনু নিংঙোলনা শম কোক্তা থোং লাইজ ঈশিংবু পুদুনা তম্পাক লমগী নিংথৌ থম্মোয়দা খোয়দানা নুংশিজবা মশাবী ৱাংব্রেন উজগনি খন্না মকা লাম্না ময়ূম মরান য়ৌরকপদা লৈরমদবদা নুংঙাইতবা, অৱাবা নিংঙমদবা মায়থোংদা তাখি। কোরৌ নুমিৎ মশীং য়ামখ্রে। মশাবী মশামক লাকখিদবনা তাজনীংবা মপাউ, উজনীংবা মায়থোঙ উঙমদনা নুংশুক নুংজাননা অনাল চনু থম্মোয়দা অৱাবা পোৎলুম পুখি। চীংজাউ নাপোম অনীদগী তম্পাকলম তমনা চেন্থরকপা লাইজ ঈশিং তুংনফম থৌদু নূংদা ফম চনুগী খোঙনম থুমফাত্তনা মোং হাদনা লেঙ, পিরাং শিন্থনা ইরোন্নুংদা নুংশিজবা মশাবীবু লাক্লিগদ্রা য়েং অসুম্না নুমিৎ শিংবুম কয়ানি খাঙজখি। লোয়বী চীংজাউগী হাইথরকপা নাপোম হাইফেৎ মতা ফবা থেন লৈরিবা ৱাংব্রেন নিংথৌ লাইরেম্বা মহাক্তু থম্মোয়গী নুংশি মপাও তমজখিবা মশাবী মাবু লাক্লিগবরা হায়না খুবাক লাইখল তা, খুনিং কাংনা য়েংজখিবা মফম ঙসি ঙসিমক লাইনীংগী খুভম ওইনা মশক খঙনদুনা হৈকৎ, লৈকৎ তম্নরিবা মফম অসিদনি শিঙেন লৈরাং ইঙেল্লৈ/ইঙাল্লৈ হায়না খঙনরিবা লৈ অসিনা হৌখিবা মীওইবা তাইবঙনা খঙনরিবসিনি।

শনু ইমা লৈমগী তাইবঙগী পুন্সিদা নীংবা কায়না হিংখি হায়না তুংগী চারোন শুরোন্না ৱারী ওইনা খঙহৌরসনু মতা/মওংগুম তাইবঙ মপূনা শিঙেন লৈরাং ওইনা অনাল খুন্দা লৈবা খুভম অসিদা হৌহল্লকপগী লাইনীং লাইগী থাজনবা লৈ। তাইবঙ মপোক অমগী লাংওননি খঙননবা শিঙেন লৈরাং ইঙেল্লৈ ঙসি ফাওবা নুজা কনাগী নাপদা চিন্নদে নৎত্রগা মপূগী খুয়াখাদা কৎনদে। অসিগুম্বা থৌদোক অমা থোকখি হায়বা ইঙেল্লৈ লৈরাং ওইনা পূম্নমক তুংওইনরল্লগা ঙসিদি লৈবাক্কী লুচিংবশিং কয়াসু য়াওনা চারৌ-মৌরৌনদুনা চাদা-নাওদা কয়া তানরে। অদুবু লৈরাং অসিদি ঙসি ফাওবা লৈশাৎ তল্লল্লগা অতিংঙা ওইনা লৈখোক্তগী কেন্দুনা মাঙলি। লৈরাং অসিগী পুন্সিবু নুংশিবীবা লোয়ননা লৈপাক অসিগী অপূনবগী মশক ঙাক্লনবগী ৱাখল্লোন্দা শিঙেন লৈরাং অসি নুজাশিংগী নাপদা চিন্নবা অমদি মপূগী খুয়াখাদা কৎপগী চৎনবী ঙাকপদা করি অকায়বা লৈরিদগে?

মালেম ইমাগী তম্পাক্তা লৈরিবা অনেম অৱাং তম্পাক লম চীং হায়না খায়নরগসু অদুঙৈ লাই হাক্তক্তগী নুংশিননা নুংশিবগী লিপূন্না পুন্দুনা লৈমিন্নরম্বা নৌহৌনা ঐখোয় পূম্নমক অমত্তা ওইনা নুংশি ৱাইথুংনদুনা হিংমিন্নগদবনি হায়বসি চীংদা শাৎপী শিঙেন লৈরাং 'ইঙাল্লৈ/ইঙেল্লৈ' গী পুন্সিনা ঐখোয় মীওইবদা খুদোম্বীনা থিন্দুনা তাক্লি। লৈরাং অসিগী পুন্সিবু নীংশিংদুনা মীওইবা ঐখোয় মশেল নুংশি চান্নরা হিংমিন্নসি লৈমিন্নসি মালেম ইমা লৈপাক তম্পাক্তা।

Apollo Tutorial Centre
Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office
ADMISSION OPEN
Foundation Course for
Class – XI Sc & XII Sc (COHSEM & CBSE)
(Physics, Chemistry, Biology & Maths)
Class X Hr. Maths 5:30 pm – 6:30 pm
Form Issue : 01/02/2019 Class Starts : 02/04/2019 Class Timing : 4:30 pm – 7:40 p.m
HOSTEL FACILITIES FOR BOYS & GIRLS
Enroll just today and complete your ambition
Van service available
Provides : A set of text book for Class XI Sc/XII Sc and No admission fee for hostellers
For Details pliz contact : APOLLO TUTORIAL CENTRE : 7:00 am to 5:00 pm
HL-P/3313/24/1-23/3(Alt.)

TODAY TODAY
BUMPER HOUSIE DRAW
IN AID OF
LOKTAK PROJECT AFFECTED AREAS
ACTION COMMITTEE, MANIPUR
Head Office: Lamphel Sana Keithel, Imphal
Regd. No. 126/M/SR/2004
Ticket Rate Rs.6500/-
REPORTING TIME : 2:30 p.m
DRAW TIME : 4:30 p.m
(DAY TIME DRAW)
1st HOUSEFULL: ₹10 Lacs
ALL LINES : ₹ 5,000/-
2nd HOUSEFULL: ₹5 Lacs
3rd HOUSEFULL: ₹5 Lacs
1st MINI BUMPER
Ticket Rate Rs. 300/-
Housefull: ₹1 Lakh
2nd MINI BUMPER
Ticket Rate Rs. 600/-
1st 2nd 3rd 4th 5th 6th
DATE : 28 JANUARY 2019 | VENUE : SHANKER TALKIES, LAMPHEL
HL-P/3344/28